# “মীয়ামগী ইহুল খঙনা তৌবীরকউ”

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা নমদুনা লান্দাদুনা থোকহল্লকখিবা লানসিগী চহী অহুম মপূং ফারকপগী কাংশি মখোল তাগদবা খজিক্তং ঙাইরে। লানসিগী মৈরিনা খম থেংনা মৈৰাইরকপা মতমদুদা ৱাবা য়াবা মীতৈশিংনা ৱাখ্রে। লান হায়বসি পান্থা মীওইদি খরতনি। শান্তি-তংদু লৈতাবা হায়বা পামদবা কুকি নার্কো টেররিষ্ট খূৎপু খরদুনদি করম্না মণিপুরসিদা ঈরাং থোক্তুনতা লৈহনসিগে হায়বসি মতম চূপ্পদা ৱাখল তৌদুনা লৈরিবনি। ঈরাং কন্না থোকহল্লগা মখোয়গী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা পীয়ু, তোঙান্না চাজরগে মসিনি মখোয়গী দাবী। মণিপুরসি ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা য়ান্নবা অমগী মখাদা খূৎয়েক পীনদুনা চঙখিবনি। অদুনা মণিপুরগী লমগী শরুক অসি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থুগায়নীংবা, শেমদোক-শাদোক্লিংবা মওংদা তৌবা য়াদে হায়বসু খঙবনিনা ‘সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন’ পীবা য়ারোই হায়দুনা দাবী তাল্লিবা কুকিশিংদদি ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি। অদুবু ফংলরোই খঙলবা ফাওবদা মখোয়গী দাবীদি তানবা তোক্ত্রি। কুকি হায়বা ফূরুপসিনা কোনশিল্লিবা মপূং ওইনা নহাশিংবু মপান্দগী লাকপা কুকি টেররিষ্টশিংনা কুকিলেন্দ অমগী মঙলান্দা তাউহল্লি। লান্না লমজিংবীখ্রবা নহাশিংদুগী খল্লুবদা থস্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই।

মণিপুর হায়বা লমদমসিগী হিষ্ট্রি কুকি নহাশিংনা নৌহৌননা মুন্না খঙবা মথৌ তারি। কুমজা ৩৩দগী নোংদালাইরেন পাখঙবনা মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োলগী কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপদগী হৌজিক ফাওবদা পানখিবা মণিপুরগী নিংথৌশিংগী ৱারী লিখুন ময়েক শেংনা লৈরি। কুমজা ৩৩গী মমাঙদা পানখিবা মীতৈ নিংথৌরোলগী ৱারী কয়াবুসু লৈরি। অদুবু মালেম পূম্বগী অখঙ অহৈশিংনা য়ানবা পরিংদগী কুমজা ৩৩দগী লৌখৎচবনি। লৈবাক অমগী পুৱারীগী তাঙ্ককশিং অসিদি অকা অকুম্নি। অমুক হাইথবা, অমুক হাইগৎপা মদুনি। মণিপুরগী ইতিহাসতা চহী তরেৎ খুন্তাকপা, সভেন য়রস দেভাষ্টেশন (১৮১৯-১৮২৬ এ দি) মতমদা মণিপুরীশিংনা অখন্ননা মীতৈশিংনা ৱাখিবা, মরমদম মমা লৈবাক থাদোক্তুনা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা হিংনখিবা। অমুকসু কুমজা ১৮৯১ এ দিদগী কুমজা ১৯৪৭ ফাওবা ইংরেজশিংগী মীখা পোল্লুরবা মতুংদা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা মণিপুর বৃটিশকী কোলোনিএল রুলদগী নীংতম্বা ফংখি। ভোট থাদবা য়ারবা মীয়াম্না মখোয়গী মীহুৎ খন্নবা ইলেক্সন কুমজা ১৯৪৮দা পাঙথোক্তুনা লমদমসি মশাগী কন্সটিট্যুশন শেমদুনা লৈঙাকচরকখিবনি। অসিগুম্বা লমদম অমবু ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবদগীদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া লমদমসিদা ঐখোয়না থেংনরি।

লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা চীংমী-তম্মীগী অপূনবা শক্তি শাগৎতুনা অৱাশিংবু নিংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তাম্থোকখিদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতুংদা নৌনা শাফোংলকখিবা মণিপুরনি। অমুকসু মালেমদা মখোয়গী অম্পয়রদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরিবা ইংরেজশিংগী মথক্তা লান লাউথোক্তুনা বৃটিশশিংগা লান্থেংনখিবা মণিপুরীশিংনি। মণিপুরগী ময়ায় থংবা শরুক কংলাদা মীতৈ নিংথৌনা ফম্বাল লাংলগা চীংমী তম্মী অমত্তা ওইনা নুংশিননা হিংমিন্নরকখিবা লমদম অসিদা কদাইদগী ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্ট খূৎপু খরনা মীতৈশিংদা অতম্ননা শীংনদুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকখিবনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংবু মশক মুন্না খঙবা মথৌ তাই। মীতৈ নুপা পূম্নমক লান্মীনি। য়ূমগী মীতৈ ইমুং অমগী অহলগী তুম্ফম লুখুমদা খূৎশু টিমেন তা য়ুংদুনা থম্নরিবনি। ফক্লাংদা থাঙশাং য়ান্দুনা থল্লিবনি। শাফম লানফম শরুক য়ানবা মতম পূম্বদা শেম শারিবনি। মীতৈগী থাক ৱাংলবা সিবিলাইজেশনদা শীংনবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মতিক নত্তে। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঙাক্লৌ পীরি হায়দুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা পংচাউ চাউজবনি। ঙকচাউ থেকপনি।

তরানিথোইশুবা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম প্রসিদেন্টস রুলনা চহী অমা শাসন তৌরুরবা মতুংদা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লে। অনীশুবা চহী অমসু ফাদবা সেকেন্দ হাফকী লৈঙাক্নি। অহানবা হাফকী এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তু মীয়ামগী অপাম্বা ইহুল খঙনা থবক তৌখিদে হায়না মীয়াম্না ৱারৌনখি। ঙসিগী লাক্লিবা ৱাই খেমচান্দগী লৈঙাক অসিনা ৱারোইশিন অমা লৈতনা লৈরিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি। লাঞ্জেন্নরিবা কাঙলূপ অনীমক্কী মীওইশিং হকথেংনবা য়াবা উনবশিং উন্নরি। হকথেংননা উনবদা খুদোং চারোইদবশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা উন্নদুনা পাউ ফাওনরি। লাঞ্জেন্নদুনা মশাগী য়ূমদা চঙবা ফংদনা লেনবা পূন্সি হায়বসিদি অদুক্কী মতিক ৱাবা তাবনি। মদুগী মথক্তা ইচা-ইশুগী তুংগী ওইহৌগদবা পূন্সি মরেল খল্লুবদা অহল ওইরিবশিং ৱাখল ফুম্বংনরিবনি। ঐখোয়বু ইশাগী ইয়ূমদা হঞ্জিনহনবীরো হায়বসিনা মীচম মীয়াম লাঞ্জেন্নরিবশিংগী খোল্লাওনি। মদু পূম্নমক্তু মপী মপা ওইরিবশিংনা তাবা তাবনি। ঐখোয়গী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনসু তারি। তানা তানা থবক ওইনা ওন্থোকপীরকপদুনি মীয়াম্না পাল্লিবসি। অখঙ অহৈশিংনা হায়নরক্কনি মাঙখ্রবা থাজনবা কাঙলূপ অনীগী হঞ্জিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না। মদুগী থৌদাংদি কনানা লৌগনি। ঐখোয় পূম্নমক্না লৌবা তাবনি। কুকি মীচম মীয়ামসু মহৌশাগুম ঈং-তপ্পা পুরকপদি পাল্লে হয়বা মখোয়না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ময়েক শেংনা অদুমক খঙলি। অদুবু কুকি টেররিষ্টশিংগী কন্ট্রোল মখাদা কুকি মীয়াম্বু ফাজিন্দনা থল্লিবসি হান্না লৌথোকপা তাই। মদুগীদমক্তা টেররিষ্টশিংবু মাঙহনগদবনি।

ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মণিপুর মীয়াম্না য়াইফবা মণিপুর অমগী আশা থল্লিবনি। মহাক্কী লৈঙাক্তা শরুক য়ামিন্নরিবা এম এল এ, মিনিষ্টর পূম্নমক্না অপূনবা ঈং-তপ্পা মণিপুর অমা পুরক্নবা অরোনবা এজেন্দা থমদনা মতেং পাংবা মথৌ তাই। লৈবাক থুগায়নবা ফোংনা হোৎনরিবা কুকিগী এম এল এশিং অপূনবা মণিপুর অমা শাগৎমিন্নবা হোৎনবদা খোঙ থাংজিনবা মতম ওইরে। ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা কুকি টেররিষ্টশিংগী নীংতম্বা কুকিলেন্দ নৎত্রগা পোপিলেন্দ অমগী মঙলান্দা মোন্দ্রং শান্নদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। দ্রগ করবার তৌদুনা লান্না তানশিনখিবা পাপকী শেলনা কুইনা নুংঙাইবা য়ারোই। মীগী মচা মশুশিং দ্রগতা লাইচুদুনা ঙাওরি ফৈরি তৌদুনা শিখিবগুম নখোয়গী নচা নশুশিংদসু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শরুক থুংলখিগনি। অমুকসু ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং অপূনবা মণিপুর অমগীদমক্তা লেপ্পীয়ু। মণিপুর থুগায়নবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। ফূরুপ ৩৪/৩৫না খুন্দাবা লমদমসি লৈখল শুনা শাৎলিবা অপীকপা লৈকোল অমগুম্বনি। নুংশিনা য়েংবা তম্বীয়ু। ফজবগী ফজবা ঙাক্তা উগনি।

লোইশিল্লকপদা, ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলক্কনি হায়না থাজবা থম্নরি। অথুবা মতমদা মীতৈশিংবু মশাগী মরমদমসিদা নীংতম্না চৎপা ফংনবা খোঙথাং লৌখৎপীরক্কনি খল্লি। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপকী মীওইশিং মশা মশাগী মরমদমদা হঞ্জিন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবীরক্কনি হায়বসি মীয়াম্না লাইনীং ওইরিবনি। অনৌবা মণিপুর অমগী মায়োন্দা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌবীরকউ হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# “লম্পাক্তগী লৌবুক্না মরু ওইবা হেল্লি”
## নহা ওইরিবশিংনা খনফম থোক্তব্রা?

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



নীরগা থবক খুদিং পাঙথোকপা হায়বসি পীবিনবা লৈরক্তবা মতমদা থবক অমত্তসু পাঙথোকপা ঙল্লোই। অঙাংশিংবু মখোয়না মহৈ তল্লিঙৈ মতমদগী ওজানা নীবা তম্বীরকই। স্কুলগী ফঙ্কশনশিং, ওজাগী নুমিৎ, মহৈগী লাইরেম্বীগী নুমিৎ, ইরাবতকী নুমিৎ, লৈবাক নীংবা নুমিৎ য়ামখ্রে মহৈরোয় অঙাংশিংনা মখূত্তা ফিরাল মচা পায়হল্লগা নীবা তম্লকখিবা। মহৈশঙশিংগী অকোয়বদা নীদনবা পোথোক পুথোকপগী মফম মহৈশঙ লিংলিবশিংনা থম্নদে। লৈঙাক্কীসু লন্নাইগীসু ক্লাস খরা শেম্লগা স্কুল ওইনরিবা ঙাক্তনি। পোকপু পোল্লবদি মহৈ তম্বা হায়বসি শোয়ফদ্রবা ওইনা লৌনবনা শঙ্গোই অচৌবা, অশানবা বিল্ডিংদা মহৈশঙ হেক্তো ওইশিন্নে। স্কুলগীদমক লম্পাক নৎত্রগা লৌবুক থম্নদে। সিগুম্বা ফীভম অসিদগী মহৈরোয়শিংনা থবক থৌরম খুদিংদা নীদবা য়াদবগী তাঞ্জা লাকই। নীবা অসি লমদমসিদা কলচর ওইরকই। পোথোক পুথোক্নবা লূপ লিংবা মরাং কায়না তাদে। নীবা য়ানবা মীওই খুজোক খরা পুল্লগা লূপ মশীং খঙদনা লিংখৎনরি। লূপ খুদিংমক মাগী মাগী ফজবা পান্দম লৈজরবসু পান্দমদুগী মিংদা শেনখায় থুমখায় হায়বসিমদি এজেন্দা নম্বর ৱান্দা থম্বনা লূপ উবদা খাবা মীগী মশীং হেনগৎলকই।

ৱাফম অসিগী মান্নবদা ইন্দিয়াদা পুন্নিংদবগী ইথিলদি লৈবা লমদমসিগী মীয়াম্নদি ইনি দয়ানা পীবিবা চহী চহীগী বডজেটতা হিংলি। মসিসু নীরগা হিংবা কৌই। নীদনবা শরুক ১০ থোকপগী ৯ ওইরিবা চীংগী চাউরবা মফমশিংদা পোথোক পুথোক্নবা ৱাখল্লোন লৈঙাকপশিংনা হোৎনখিদে। মসিনা ফত্তবা চীঞ্জাক থাফম ওন্থোকখি। ফত্তবা মীগী লৈফম ওইখি। মীতোপকী য়ূম্ফম ওইখি। ঐখোয়না মপুনি খন্দুনা খোঙ্গ্রাই নীক্লগা নীরি। য়েলহৌ/লৈহৌ ফূরুপশিং তেঙ্কোৎ মনুংদা শিরুম নারুম তাউরিবা ঙা হায়বদু ওইরি। লমদমসিগী মীয়ামগী থৱায়দি মীনুংশি য়াওদবশিংদগী নীরগা হিংলি। নীরিবসি পীরক্তবা মীৎকুপ্তা হিংবা ঙমদ্রে হায়বসি নীবগী কলচর তৌরিবা মীয়াম্না খন্থবা মতম থেংদ্রিবরা?

ইমুং অমদা থোক্তবা য়াদ্রবা লুহোংবা নৎত্রগা লান্ন-থৌরমদি চেবাউ চৎতুনা পাঙথোকপা কায়দে। লাকপীরিবা খুদিং তেংবাংনি খনবা য়াই। মসিদগী হেন্দোকপা থবক থৌরমশিংদি নীরগা পাঙথোকপগী মনুং চল্লি। কনাগুম্বনা থৌদোক শেল্লগা নীবদা হৈশিংবা মীওইসু অদুম য়াওরকই। ঐখোয়গী মীয়ামসিদি কলেজা মপান শাবা, নাপলগী মহৈবু পূক্লিংগী য়েন্দাই থন্না-থন্না পৈশিন্নবা, ফুরিৎখাওদা শেল য়াওদ্রবসু ৱাঙাঙদি ৱারুবোপ ঙাক্তা পোকখায়বা, মীবু মীথানদবা, উশিৎনদবা, চিংথনবদা মথৌনা মরিংজেল ফুদোক্লিবা মীয়ামনি। চাওখৎপা মীগী মরমদা ঙাঙনবা, পাম্বৈ লৈজদবা মীগী মমিংদি নীংশিংনদবা লমদমনি। শোয়নাইবা মীগী মনাক্তা নক্লিংদবা, ফিরাল মমাই চুম্বা মীগী মীনাই ওইবদা ইকায়দবা মীয়ামনি। অশোনবা ইমা ইপাবু হোমদা থমজিল্লগা ৱাই শংনা মালেমগী চাওখৎপা মফমদা হিংফম থিরিবা মীওইশিংদুগী চাদা-নাওদা ওইরুবনা নীবগী কলচরসিমদি লৈমায় অসিদগী মুখৎপা ঙম্ফম থোকত্রি।

নীরগা পাঙথোকপা থবক থৌরম খুদিং মরীল চৎলি। অরাইবা মওংদা তানবা লন মাঙহনবদা অরুবা ওইনা খন্নদে। য়াওশঙ লাক্লে নীবা হৌরে। নীরিবা লৈশা পাখঙশিং অসি মহৈশঙদা ফিরাল মচা পায়রগা নীবদা হৈথোই শিংথোইরকপশিংদুনি। য়াওশঙ থাবলগী চাকচা হৈজানবগী লম্বীদা, য়ূম্লক্তা চঙদুনা নীবদা থোইদোক্লা অরুবা ওইদ্রে। মখোয়দা কুম অমগী মনুংদা পীবা ‘অমুক্তং থোকপনি’ হায়বা অকনবা ৱাহৈগী খূৎলায় অসিমা পায়খিবনা পীদবা মীবু থীনা-থীনা চৈথৎলম্বগী রাইট লোইনবদৌনা খন্নে। নীরিবদু অঙম্বদা হায়বা নত্তে। লোইনমক্কী নৎত্রবসু চিন্দোল লৈতোন ফবী/ফবা খরদি দিমান্দ লাকপদৌনা অপাম্বা শেনফমগী মরেপ পল্লগা নীবা ঙম্মী। অসুম্না নীরগা পাঙথোকপা য়াওশঙ অসি থায়নদগী হৌজিক্না হেন্না শাংনা পাঙথোকই। শজিবু চৈরাওদ্রিফাও য়াওশঙগী থৌ লোইবা নাইদে।

ঐখোয়গী ফূরুপসি নাৎ-কলচরদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎলিবনি। ঐখোয়না চহী অমগী মনুংদা লৈরিবা থাবুম ১২ অসি নাৎ-কলচরদা য়ূম্ফম ওইবা থৌরম লোইনা লৈজরিবনি। শজিবু চৈরাওবা (চহী হৌবা), কালেন-লাই হরাওবা, ইঙা-লৌতাবা, ইঙেন-কাং চিংবা, থৱান-কৃষ্ণ পোকখিবগী কুম্মৈ, লাংবন - তর্পন, মেরা- পুজা, হিয়াঙ্গৈ - নিঙোল চাক্কৌবা, পোইনু- লৌরোক কুম্মৈ, ৱাকচীং- ইমোইনু ইরাৎচবা, ফাইরেল - মহৈগী লাইরেম্বী ইরাৎপা, লমতা - য়াওশঙ। মসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বনি। মসি খুন্নাই মীয়াম অসিগী পূন্সিরোল শেমগৎলম্লিবনি। ফত্তবা থবক নৎত্রগা ৱাখল খন্ননবা মতম পীদনবগী থবক থৌরমশিংনি। থৌদোক কুম্মৈ খুদিংমক অসি লাইনীং লাইশোন্দা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অদুবু অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লবা খুঙ্গং লৈকায় খুদিংগী লৌচা থম্নদ্রে। হান্না লৈরম্লবসু মুখৎখ্রে। খুলগী লৌফম থম্বসি তঙাইফদবনি খন্নখিদ্রে। লৌফমদুদা খুঞ্জা হুপ্পা থোক্তুনা কুম অমগী পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংগী শেনফম ওইনবা মহৈ-মরোং থাবা য়াই। মহৌশা ইমানা পীরিবা পোথোক্লা ফংজবা শেনফম্না লৈকায়দুগী থৌ পাংলবদি থৌরমসু তেনগনি। নাৎ-কলচরদা মীঙোন্দগী নীরুবা তৌদনা পাঙথোকপা ঙমগনি।

ঙসিদি খুলগী লৈকায়গী লৌফমশিং শান্নবুং ওইখ্রে। থাবল চোংফম ওইখি। মসি ফাওবা খরা শাফরম্মী। নীরগা চোংখিবা থাবলনা য়ূম্বাল কৈবালগী খুদোংচাবা খরসু অদুম মফংনখি। অদুবু লৌফমদগী ওইখিবা শান্নবুং হৌজিক্তি থিকাদারশিংনা ৱার্ক প্রোগ্রাম থিরকপদা কম্যুনিটি হোল শাজিনখ্রে। শান্নফমসু মাঙখ্রে। লৌফমদুসু মুৎখ্রে .নীরগা পাঙথোকপা কুম্মৈ তৌফম, লগাও, হাওসি শান্নফম ওইখ্রে। শেল তিংফম কদায়দনো হংবদা কম্যুনিটি হোল হায়বসি শেল তিংফমনি হায়না খুমদৌবমঙায়। লৌবুক হায়বদুনা শেল লাকফমনি। শান্নবুং হায়বদুনা মিংচৎ পুরকফমনি। কম্যুনিটি হোলনা হেন্না ফরিব্রা?

লম পীকশিন্নরকপনিনা কম্যুনিটি হোলসু মরু ওই হায়না মরৈ তৌনরোইসি। ঐখোয়গী অচৌবা লম য়াম্না লৈরম্মী। মবুক মপাও ফবা লৈঙাকলোয়শিংনা লম পূম্নমক য়ূমদাংবশিংগী মখূৎ চলহনখিবনি। ফম্বা চলহল্লুবদগী হিপ্পা চল্লকখিবা মহিক্না চাংদম্নবা য়াবা মীওইশিংদুনা হিপ্পা চল্লবনিনা শিবসু চল্লরেদনা। থাবল চোংজনীংবনা ঙাওরবা ঙসিগী লৈশা পাখঙশিং অসি লমদমসিগী তুংগী য়ূম্বীনি। মখোয়গী মখূবাক্তা লমদমসিগী মরাইবক লৈহৌগদৌরিবনি। থাবল চোংমিন্নবগী শম্নরিবা খূৎ অদো লিংজেল মান্নবগী খূৎ ওইহনবীয়ু। শৌগৎনবগী থাবল ওইহনবীয়ু। ওল্লকপা চহীগী থাবলদি ঐখোয়না চংশিনবীদনা নারক মোংশোং ওইনা লৈরিবা, শামরক ঙামরক্কী মীতোপ কয়াগী অশিপুঙ ওইরিবা চিংমাইদা মহৈ মরোং থারসি হায়না ৱারেপ লৌবা থাবল ওইহনবীয়ু। ঈরাং পান্থী ফুক্তৎলগা পূন্সি পান্থী থারসি হায়না ৱাশক লৌবা থাবল ওইহনবীয়ু। শেমজিনবীদবদগী উফুল মরক্তা শেল নীখিবগী মমল অদুনি। মীঙোন্দগী নিদনা চোংবা থাবলনা য়াওশঙগী নুমিৎ তেনশিনহনবদা অচৌবা মতেং ওইনগনি। হুমাংগী মমলদি মাঙখিবদা পাম্মুবা পোকই। ঐখোয়না চীং তোয়না কারবদি মহিক মতাং শাকৈ লিনগুম্বা শৈদাংবশিং মাঙহনবদা থোইনা লুবা নত্তে। ●

# মীখলগী মীরেপ/মীহুৎ খনবদা য়াম্না মুন্না ৱাখল খনবীয়ু

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনখিবা নৎত্রগা তিনশিনখিবা নৎত্রগনা ফোর্স তৌদুনা লৌশিনখিবা ওইনীংবা ওইরসনু ঙসিদি মণিপুর অপূনবা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা হিংলিবনি। ইন্দিয়াগী অফবা মীংচৎ মালেমদা উৎপা, শাদা-লান্দা, শেলদা-থুমদা, টেক্নোলোজিদা-স্পেস ৱর্ল্ডদা মাঙজিল থাবা মতমদা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা হরাওবা নুংঙাইবা পোকই। মসিদসু নত্তনা মালেমগী শান্নবুংদা ইন্দিয়ানা মেদল মশীং য়াম্না লৌবদা হরাওদবা করম্বা ইন্দিয়া মচা কনা-কনা লৈবগে। মসি খঙনা ঐখোয়গী লৈঙাক্লোইশিংনা পাক্না চাউনা মিৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। মীরৈবাক মীরমদমনা লান তারকপসু নত্তবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট মশাগী পুৱারী লৈবা চহী লিশীং মঙা হেনবা লৈঙাকপগী শাদা লান্দা মতিং মথৌনা লৈনা লৈঙাল্লকপা মণিপুরনি হায়বা অসি পূম্নমক্না খঙনরবনি। খঙজিন্নদবা, উশিন্নদবা, তাশিন্নদবনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। চহী অহুম ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবা অসিদা মীতৈ খুন্নাইবু খাদা-ৱাংদা-নোংপোক অমদি নোংচুপকী অকক্নবা মফমদা পাকিস্তান, চাইনাগী লৈবাক অমগুম্না বফর জোন থম্বগী ৱাহম্থোক অদুনা করিনো হংবা য়াবা ৱাহংনি। মণিপুর ষ্টেটকী মনুংদা মণিপুরী অমনা চৎথোক চৎশিন, লল্লোন ইতিক্কী থবক খুদিংমক থিংজিন্দুনা চীং অমদি তমগী মরক্তা অচৌবা শম্বল খাদুনা ইন্দিয়ান সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা মীতৈশিংনা চৎপা খক্তমক য়েংশিনবা অদুগা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অতম্ননা মীতৈদা নোংমৈ কাপ্পা, বোম পোকখায়হনবদি য়েংদুনা লৈবা মানবা অসিবু করম্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেট মণিপুর নত্তনা কদাইদা থোক্লিবগে। মসি পূম্নমক কনামত্তনা থিংবা য়াবগী হক লৈতে। ঐখোয় পূম্নমক্না লৈঙাক্লুরো, চাওখৎ থৌরাং পূম্নমক, মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেনবা, শীংনরকপা পূম্নমক থেংনদুনা ঙাকথোকপা, অকি অখং লৈহন্দবা, তোল্লা-তারবা মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেন্দুনা পূম্নমক য়েংশিনবীরো হায়দুনা মীখল মতমদা মীয়াম্না লৈবাক ঙাক্নবা থাখিবনি।

অমরোমদসু অকনবনা অশোনববু তুহৎপা য়াদবা আইন, থাঙ-উতুপ-ৱাতুপ, নোংমৈ-বোম খুদিংমক ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা কনানা কনাগী মফমদা শীজিন্নবা য়াদে হায়বাআইন অদুসু লৈরিবনি। দেমোক্রেসিগী মখাদা মীনা মীবু ইকায়খুম্নবা উৎপা অসিসু আইন হায়রিবনি। ঙসি ঐখোয়না মীখল মতমদা মীরেপশিংগী মনুংদগী মীহুৎ খনবা মতমদা য়াম্না তহা তহাবা য়াদে। মহাক কনানো, করম্বা লীচৎ চৎলি, মহাক্কী কন্ত্রিব্যুশন কয়াম লৈরে হায়বনচিংবা হান্না খঙদোকপা মথৌ তাই। চাক খাঙবা, শেল য়েনবা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক পীজনবা হোৎনরিবশিং অসিদগী ঐখোয় চেকশিনবা মতম ওইরে। নত্তদুনা মহৌশাগী মহৌশা হায়দুনা চাক খরা পীজবা, শেল খরা য়েনবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক পীশিন্দুনা নহা কয়াবু শুম চাহনবা, লৈকাং চুহনবগী থবক তৌবা মীরেপ মশক মুন্না খঙবীরো। থিকা খরা তৌদুনা হুমাংমলগী ঈখেং তারবা খূৎ কয়াগী মফমদগী খোমজিল্লগা পায়বা শেল, ব্যুরোক্রেসি ওইরিঙৈদা অচুম্বা মাঙ-তুংগী ৱা য়াওদনা শেলবু ফংলবদি অরানবা কয়া অচুম্বা ওইহনবা, অচুম্বা কয়াগী চে নমশিন্দুনা তাল্লকপা কয়াদুনা চাইথোক্লগা মীনুংশি চাউবা, পুকচেল শেংবা, মীয়ামগীদমক খনবা শাদুনা কৈলাশনা য়াওগী মউন উপশিল্লগা থোরকপা কয়াদগী চেকশিনবীয়ু।

থবক হাপ্পীগনি হায়দুনা লৌ-ইঙ্খোল য়োনগনি, চহী ৪/৫ নমশিন্দুনা থমগনি, শেনফমদুনা মখোয় মখোয়না করবার অমদি থিকা তৌদুনা শেন্দোয় পুদবা শেলনা শীজিন্নদুনা শেন্দোং হেন্না হেন্না তালহৌনি। মীয়াম্না ভিক্টিম ওইদুনা লৈহৌগনি। থবকসু ওইরোই, লৌ ইঙ্খোলসু মাঙদুনা ময়ূম মকৈ লৈতবা মী ওইবগী শরুক থুংহৌগনি। নীংবা কায়দুনা খুন্নাইদগী লাপথোরক্কনি। ময়ূম মকৈ পানবা লাপথোকখিগনি। ঙসি পাউচে কয়াদা লৌরি য়ূম্ফম য়োল্লিবসি ১০০দা ১০দমক ওইবা লমগী মনুংদা লৈরিবা মীতৈ খুন্নাইগীনি হায়বা অসি ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নসি। করম করম্বা কাঙলূপ ফূরুপ্না লম য়োনবগী পাউচেদা থেংনবা য়াওরব্রা? মসি পূম্নমক ঐ-নঙনা মীখল মতমদা ঐ-নঙনা চহী মঙাগী মনুংদা অমুকখক লাকপা হক অদু লুপা খরদা য়োম্থোক্লুবগী মহয় অদু ফংবনি। লুপা অমা লৌদনা ভোট পীয়ু, থবক চঙবা মতমদা শমান লেংমান্নবা থেংনৌ, ঐগী-ঐগী লৈরিবা লৌশিং শীজিন্নৌ মতমদুদা নরৈবাক নজাতিগীদমক নঙগী নঙগী এথোরিটিনা শিনবা থবক খুদিংমক মায় লৈদনা থেংনবা অমদি পাঙথোকপা ঙমগনি।

মহৈ মপূং ফাদ্রবা, মতিক মথৌনা ৱাৎলবা কয়াদুনা লুপা লাখ ২০,৩০,৪০,৫০না সিট অদু লৈরগা চঙলকপা কয়াদু ওথোরিটিনা ঙাঙবসু তারোই, থবকসু হৈরোই। খুদোংথীবা অমা ফাওবা মায়োক্নবা ঙল্লোই। ঙসি ওফিস কয়াদা খোংমীদগী সেনা ফাওবগী শেঞ্জা থুমজা কনানা য়েংশিল্লি, কনানা চুমথোক্কনি। রেভন্যু লোয়শঙশিংদা তৌরিবা শেঞ্জা থুমজা, থবক্তগী পোত্থারবা চহী খরা থবক তৌবা য়াবা তৌজরম্নবা শিন্মী কয়ানা পেন্সন চৎপা মতমদা মরক চেল্লিবা কয়ানা লুপা লাখ ২/৩/৪/৫ লৌরিবা অসিবু য়েংশিনবা কনাসু লৈতে। নঙগীনা সি, ঐগীনা সি, মাগীনা সি হায়দুনা কোয়েন য়েন্নদুনা লৌবীরিবা শেনফম অসিবু লৌফম থোকপরা? মাগী মাগী লৈরম্বা দিপার্টমেন্ট, সেক্রেটরিএট, এ জি পূম্নমক অচুম্বা অশেংবা হায়বা অদুবু কদাইৱাইদা চৎখ্রবগে। পেন্সনগী ৱানোম-ৱাচৎলিবশিংনা শারিবা য়ূম, লৈদুনা তোংলিবা গাড়ী কনানা কনাবুসু করিসু হায়দে খুদিংমক শেলনা মেন্দুনা মমিৎ তাংহল্লি। ঐখোয় ঐখোয়না সম্বিধাননা পীরিবা দেমোক্রেসিগী চহী মঙা-মঙাগী ওইনা মীখল পাঙথোরকপা মতমদা শেল লৌদনা ভোট পীবগী হৈনবী লৈসি। ঐখোয় ঐখোয়না শেল লৌদ্রবদি মীহুৎ অদু শেল তিংহন্দ্রবদি মীয়ামগী চাকথুং ফিথুংসু মৎলরোই, মবুকচেল শেংলনি, ৱাখল চাওথোরক্লগনি, থবক ফজনা তৌরক্লগনি। লুপা ক্রোর ১০/২০ তিংহনবীরে, ক্রোর ১০/২০ তিংলগা মীখল মায় পাক্লবনিনা মথং টর্মগীদমক ক্রোর ২০/৩০/৪০ তান্দবা য়াদে হায়বনা মাঙদা থাদুনা থবক তৌরকপা, মাগী শেন্দোং য়েংনা শেলবুল শাগৎনবা হোৎনবদা করিসু ঙক্লিংঙাই লৈতে।

ঙসি ঐখোয়গী লাঞ্জেন্নরিবা/বী কয়াগী ময়ূম মকৈ মাঙ তাকখ্রবা, লন-থুম পূম্নমক উৎ ওনখ্রবা, মীতৈনা সেকমাই, মোইরাং, পল্লেল, থম্নাপোকপী অমদি নোংচুপ কৈথেলমানবীগী মনুংদা অফা অপুনবগী মওংদা লেংবা ওৎপা য়াদ্রিবা কয়া অসিদা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী করম্বা এ সীদগী করম্বা মীহুৎনা মায়ওং য়াবা থোরকপগে, য়াওরবদি হায়বীরকউ। লান নংলবা শুগুনু এ সীগী মীয়াম্বু কাঙুজম রঞ্জিৎ অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীহুৎ টি ঐচ লোকেশ্বর অনীনা চোংথোক্লগা থেংনরিবা খুদিংমক মণিপুরগী মীয়াম্না উরি-তারি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন থম্নবা হকথেংননা হায়খিবা কনা কনা য়াওখ্রে। ওপোজিশন পার্টি ওইরিবনা হায়রবসু-লাউরবসু লান নংদুনা মৈশা লাংলবা-লাংলবী কনাগী মফমদা লাইজ ঈশিং খিক্লগা মৈশা-মৈরি মুৎপা ঙমদ্রি। মণিপুরদি মণিপুরীশিংনা কনগদৌবনি হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা থোরকপা মীরোলশিংগী মরক্তা মশক খঙনা-খঙনা মীহুৎ খনবীয়ু।

পোলিটিক্সপু শেন্দাল লম্বী ওইহনবদা ভোটর ঐখোয় ঐখোয়গীসু অশোয়বা-অরানবা কয়া লৈতবা নতে। ঐখোয়গী চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তা লাকপা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা নঙ-ঐগী ভোটনা মণিপুরগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি হায়বা অসি কাউদনা হিন্দু ধর্ম্মদা থাজবনা হরিগী নামনি, ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপনা প্রোফেট মহমদকী পাউজেলনি, খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপা পূম্নমক্না যীশু খৃষ্টকী পাউতাকনি, সনামহী লাইনীংনা শিদবা মপুগী পাউতাকনি হায়বসি লৌমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।